# ‘রুসিয়াগী মিলিটরিনা সেবাষ্টোপোল এয়ারপোর্ট ব্লোক তৌরি’



*সিম্ফরোপোল, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* য়ুক্রেনগী অনৌবা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর আর্সেন অভাকোবনা হায়বদা, ব্লেক সিগী সেবাষ্টোপোল হিথাংফমগী এয়ারপোর্ট অদু রুসিয়াগী মিলিটরিনা ব্লোক তৌদুনা থল্লি। অদুগা শকখঙদবা মীওইশিংনা সিম্ফরোপোলদা লৈবা এয়ারপোর্ট অমগী মনাক্তসু পেট্রোল্লিং চৎলি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সেবাষ্টোপোলগী বেলবেক ইন্টর্নেস্নেল এয়ারপোর্ট রুসিয়ান নেভিগী মিলিটরি য়ুনিটশিংনা ব্লোক তৌরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মসি মিলিটরি ইনভেসন অমদি ওক্যুপেসননি হায়বা য়াই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। হিরম অসিগী মতাংদা পাউ ফাওনবদা রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিদগী ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোরক্তে। অদুগা রুসিয়ান দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোইসু পাউ ফাওনবা ফংদে হায়রি।

ঙসিগী অঙনবদা মিলিটরিগী ফিজোল শেৎপা খুৎলায় লোয়নবা মীওই ৫০ রোম্না লাইসেন্স প্লেট য়াওদবা ত্রক অহুমদা লাক্কুনা সিম্ফরোপোলগী দোমেষ্টিক ফ্লাইট টর্মিনেল কোইশিনখিবনি। অদুগী মতুংদা ক্রিমিয়াগী রিজনেল কেপিটেল ওইরিবা মফম অসি শিন থুংনা পেট্রোল্লিং চৎখি হায়নসু অউবা মীশিংগী ৱারোল পল্লদুনা ইন্টরফেক্স য়ুক্রেন নিউজনা ফোঙদোকখ্রে।

অতোপ্পা চে অমগী ফোটোগ্রাফর অমনসু ঙসি অয়ুক এসোল্ট রাইফল পায়বা মিলিটরি পার্সোনেলশিংনা এয়ারপোর্টকী অকোইবদা পেট্রোল্লিং চৎখি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

শকখঙ খুদম অমত্তা য়াওদবা য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওইশিং অদুনা পাউমীশিংদা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। মখোয় করম্বা মীওইশিংনো হায়বা তশেংনা খঙবা ঙমদে হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

চপ মান্নবা ফিজোল অসি শেৎপা নোংমৈ পায়বা মীওই ১০০ রোম্নসু ঙরাং ক্রিমিয়াগী পার্লিয়ামেন্ট পায়শিন্দুনা পার্লিয়ামেন্ট বিল্ডিং অদুগী মথক্তা রুসিয়াগী ফিরাল হায়গৎখিবনি।

খুৎলায় পায়বা মীওইশিং অদু ফিরাল অদু হায়গৎলম্লগা চৎখিবনি হায়নসু পাউ চে অমনা ফোঙদোকখি।

এয়ারপোর্ট অদু হান্নগুম্না ফ্লাইটশিং তারবা অদুগা পাইখৎখিবগী ওপরেসনশিংদি হান্নগুম্না অদুমক চত্থরি হায়নসু এয়ারপোর্ট অদুদা থবক তৌবা মীওই অমগী ৱারোল পল্লদুনা আর আই এ–নোবোষ্টি নিউজ এজেন্সিনা ফোঙদোরকখি।

এয়ারপোর্টকী ৱেবসাইটতসু হান্নগুম্না মতম কায়দনা ফ্লাইটশিং থুংলবা অদুগা পাইখৎখিবা উই। ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতসু মায়খুম উপ্পা রোকেট প্রোপেল্ড গ্রেনেটস অমদি স্নাইপর রাইফলশিং পায়বা মীওইশিংনা সিম্ফরোপোলগী পার্লিয়ামেন্ট অমদি গভর্নমেন্ট ওফিসশিং পায়শিন্দুনা রুসিয়াগী ফিরাল য়ুংখৎলম্বনি।

ক্রিমিয়া লমদমদা ওইরিবা ফিভম অসিনা য়ুমথংনবা রুসিয়াগা উংখনিবগী ফিভম অমা হেনগৎহল্লে। ঙরাং ক্রিমিয়াগী ঙমখৈ লমদমশিংদা ফাইটর জেদ খরসু পেট্রোল্লিং ওইনা পায়খিবগা লোয়ননা কোল্ড ৱার মতমগী খুদোংথিবা ফিভমশিং অদু নৌনা অমুক নিংশিংহনখি।

পনবা য়াবদি য়ুক্রেনগী মীরোৎ ওইখ্রবা প্রসিদেন্ট ভিক্টর য়ানুকোভিসপু রুসিয়ানা চংজফম পীরিবনি। লৈবাক অসিগী খারোম থংবদা লৈবা য়ুক্রেনগী ঙমখৈ লমদম অমদা কিয়েবকী অকনবা ৱাকৎ ঈহৌ অমদগী নাথৈদুনা লৈরিবা প্রসিদেন্ট অসিনা পাউগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা থাংজদগী মীয়াম মরক্তা উখিদ্রবা মতুংদা প্রসিদেন্ট অসিনা মহাক মশামক হৌজিকসু য়ুক্রেনগী লেজিটিমেট ওইবা প্রসিদেন্টনি হায়না চেরোল অমদা ফোঙদোরকখিবনি।

অদুবু য়ুক্রেন্দদি পার্লিয়ামেন্টনা ঙরাং অনৌবা গভর্নমেন্ট অমা শেম্লে হায়না লাউথোকখিবনি। য়ুক্রেনগী ফিভম অসিদা মোস্কোনা ৱাহন্থোক লুবা ৱারোলশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটিবুদি ইকাই খুম্নগনি হায়নসু ফোঙদোকখিবনি।

# ইজরেলনা লেবাননদা হেজবোল্লাহ খামজিন্নবা ৱার্নিং তৌখ্রে



*জেরুসালেম, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* সিরিয়াগী ঙমখৈদা লৈবা লালহৌশিংনা লোৎফম অমদা ইজরেলনা এয়ারষ্ট্রাইক চত্থখি হায়বগীদমক খুৎ হনগনি হায়না হেজবোল্লাহনা কিহল্লকখিবা অদুগী মতাংদা হেজবোল্লাহবু খামজিন্নবা ইজরেলনা লেবাননদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা চত্থখি হায়রিবা এয়ারষ্ট্রাইক অদুদি ইজরেলনা মখোয়ননি হায়না কনফার্ম তৌবসু লৈত্রি অদুগা নত্তে হায়না ফোঙদোরকপসু লৈত্রি। হৌখিবা চহিদসু হেজবোল্লাহগী কনভোইশিংদা টার্গেট তৌদুনা অসিগুম্বা এটেক অহুম্লক চত্থখিবদা ইজরেলনা ৱাহৈ অমত্তা ফোঙদোকখিদবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ইফোং ফোংনা য়ানিংদবা চেরোল অমা থাদোরক্তুনা হেজবোল্লাহনা হৌখিবা য়ুমশকৈশাদা হায়খিবদা ইজরেলগী মায়োক্তা খুৎ হনবগী ওপরেসন চত্থগদবা মওং মফম অমসুং মতম কোন্না লেপথোক্কনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

করিগুম্বা অনৌবা মুক্নবগী ফিভম অমা হেক থোকপদা ইজরেলনসু লেবাননদা টার্গেট তৌগনি হায়না অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

ইজরেলগী ষ্ট্রেটেজিক এফিয়ার্স মিনিষ্টর য়ুভাল ষ্টেনিজনা হায়খিবদা, লেবাননগী লমদমদগী ইজরেলদা এটেক অমা হেক চত্থরকপদা মদু লেবানননা থৌদাং লৌগদবনি হায়না ঐখোয়না খল্লি। অসিগুম্বা টেরোরিষ্ট এটেক অমা নত্রগা মীসাইল এটেক অমা নত্রগা মখল অমগী এটেক অমত্তা ইজরেলদা চত্থরকপদা লেবাননগী গভর্নমেন্টনা থিংবা হায়বসি মথৌ ওইগদবনি হায়নসু মহাক্না ইজরেলগী রেদিওদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি লেবানন অমদি সিরিয়াগা ইজরেলনা টেক্নিকেল ওইনা লান অমা অদুমক থেংনরি। ইজরেল্লি এনালিষ্টশিংনসু চয়োল অসিদা ফোঙদোরকখিবা হেজবোল্লাহগী থ্রেটশিং অদু অয়াম্বনা লৌবা য়াদবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

বৈরুট গভর্নমেন্টতা ইরান্না শৌগৎপা সিয়াইট মুস্লিম মিলিসিয়া অসিগী মীওইশিং য়াওরি হায়না ইজরেলনা লৌবগা লোয়ননা হেজবোল্লাহগী ফাইটরশিংদি প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদকী মতেং পাংবদা মথৌ কা হেন্না চিল্লি হায়নসু এনালিষ্টশিংনা ফোঙদোক্লখি।

পনবা য়াবদি ইজরেলগা অনৌবা মরী অমা শেম্নবা চংশিল্লকপা অকনবা ঈহৌ অমা চহি অহুম চুপ্পা প্রসিদেন্ট বসার অল অসাদনা হৌজিক হৌজিক কন্না মায়োক্নরিবনি হায়নসু এনালিষ্টশিং অসিনা লৌরি।

# মালেমদা খ্বাইদগী শাংবা এয়ারক্রাফট য়ু কেদা লৈরে



*লণ্ডন, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* হেক য়েংবদা গ্যাসনা থল্লবা বেলুন অমা মানবা মালেমদা খ্বাইদগী শাংবা এয়ার ক্রাফট অমা বৃটেনগী খ্বাইদগী চাওবা এয়ার ক্রাফট হেঙ্গর অমদা মায়খুম হায়দোকখ্রে।

চুরূট পরেং পরেং পুনশিন্নবা মানবা এয়ার ক্রাফট অসি মশা পানবা এরোপ্লেন অমগুম্না পাইখৎপা ঙম্মী অদুগা মসিবু দিজাইন তৌরিবশিংনা এরোপ্লেন অসি রিমোট কন্ট্রোল তৌরগা তানিংবা মফমদা তাবা য়ানবা দিভলপ তৌবনি হায়রি।

এয়ারক্রাফট অসি খ্বাইদগী মরু ওইবা ওইনা মথৌ তারবদি ঈশিং মথক্তসু তাবা য়াই হায়রি। পুন্না ফিট ৩০২ শাংবা অনৌবা এয়ার সিপ অসি হৌজিক ফাওবদা মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা এয়ার লাইনরশিং ওইরিবা এয়ার বস এ–৩৮০ অমদি বোইং ৭৪৭–৮ দগী ফিট ৬০ হেন্না শাংবনি। অদুগা পোৎ পুনবা এন্টোনোব এ এন–২২৫ হায়রিবা হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী শাংবা এয়ার ক্রাফট অসিদগী অনৌবা এয়ার সিপ অসিনা ফিট ৩০ হেন্না শাংই হায়রি।

দোল্লর মিল্লিয়ন ১০০ রোম চংনা এয়ার ক্রাফট অসিবু দিজাইন তৌখিবশিংনা মসিদকী হেন্না চাওবা অমুক্তদা টন ৫০ পুবা ঙম্বা এয়ার সিপ অমসু শানবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

মসিবু দিভলপ তৌখিবা কম্পেনি অদুনা অনৌবা প্রোজেক্ট অসিগী টেক্নোলোজি অমদি ইঞ্জিনিয়ারিংদা থাদনবা পাউন মিল্লিয়ন ২.৫ গী ফন্দ অমসু পীখ্রে।

ভিন্স কেবল হায়বা বিজিনেস সেক্রেটরি অসিনা হায়বদা গভর্নমেন্টতগী ঐখোয়না নেক্স জেনরেসনগী ওইগদবা মখোল থোক্তবা, ইনর্জি কা হেন্না চংদবা অদুগা অকোইবগী ফিভমদা হেন্না চুশিন্নবা এয়ার ক্রাফট অমা শানবা রিসার্চ অমদি দিভলপমেন্টকীদমক পাউন্দ বিল্লিয়ন অনিরোম চংনা থবক পায়খৎনবা অয়াবা ফংলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# লেবাননদা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থখ্রে

*বৈরুট, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* লেবানিজ নেস্নেল এজেন্সি অমদি এক্টিভিষ্ট খরনা ফোঙদোকপা ৱাফম অমদা ঙসি লেবাননগী চীংলক ওইনা তৌবা মফমশিংদা সিরিয়াগী ফাইটর জেটশিংনা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থরকখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লেবাননগী অৱাং নোংপোক্তা লৈবা অর্সাল টাউন মনাক্কী খরবেট য়ুনিন চীংশাংগী মফম খরদা জেটশিং অদুনা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থরকখিবনি।

লেবাননগী সিক্যুরিটি লিখুনশিংনা হায়বদা ষ্ট্রাইকশিং অদু সিরিয়াগী লালহৌবশিংনা লোৎপা মফমশিংদা চত্থবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

সিরিয়াগী এয়ারষ্ট্রাইক অদু য়ুনিন এরিয়াদা চত্থখিবগা লোয়ননা লেবাননগী ঙমখৈদা লৈরিবা কালামাউন্ট এরিয়াশিংগী সপ্লাই লম্বী ককথৎনবা পান্দম তৌরকপা ওইগনি হায়না লিখুন অদুনা ফোঙদোরক্লি।

সিরিয়াগী এক্টিভিষ্ট অবু মুহমদনা হায়বদসু সিরিয়াগী গভর্নমেন্ট ফোর্সশিংনা য়াব্রুদ টাউনদা এয়ার ষ্ট্রাইক চত্থখ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

লেবাননগী সিআইট মুভমেন্ট ওইরিবা হেজবোল্লাহনা শৌগৎপা সিরিয়াগী লান্মীশিংনা কালামাউন্ট এরিয়াদা পাক চাওবা এটেক অমসু চত্থবা হৌখ্রবনি। লালহৌবশিংনসু খুৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপখিবা এয়ার ষ্ট্রাইক অদুদা সিরিয়াগী মায়কৈদগী রোকেট অনি লেবাননগী নোংপোক থংবদা লৈবা বৃটাল টাউনদা তারকখি। লেবানন সিক্যুরিটিগী লিখুন অমনা হায়বদা এটেক অদুদা মীওই অহুম শোকখি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চয়োল খরদসু গভর্নমেন্ট ক্রুপশিংনা ঙমখৈ লমদমশিং অসিদা লেবাননদগী লালহৌবশিংনা চত্থোক চৎশিন তৌবা থিংনবা লাঞ্জং অমা চংশিনখিবনি। ফেব্রুৱারী থা অসিদা ক্রুপশিং অদুনা য়াব্রুদতা অচৌবা এসোল্ট অমসু হৌখিবনি।

বৈরুটতা হেজবোল্লাহগী লিখুন অমনা হায়বদা য়াব্রুদতা এটেক চত্থবা হৌরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বসার অল অসাদকী সিরিয়ান ফোর্সবু মতেং পাংলিবা হেজবোল্লাহনা বৈরুট অমদি সিরিয়াগী ঙমখৈ লমদমশিংদা চত্থরকপা য়াবা স্যুসাইদ এটেকশিং থিংনবা অহেনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংসু পায়খৎলিবনি।

# ৱাকৎলোইশিংনা ৱারী শানবা হৌদোরকপদা থাই মিনিষ্টরনা য়াখিদ্রে



*বেঙ্কোক, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* থাইলেন্দগী প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু মফমদগী লৌথোক্নবা কন্না তকশিল্লিবা ৱাকৎলোইশিংনা ৱারী শানবা হৌদোরকখিবদা থাইলেন্দগী সেনিয়ার মিনিষ্টর অমনা ঙসি রিজেক্ট তৌখ্রে।

ৱাকৎলোই লুচিংবা সুথেপ থাউংসুবাননা টেলিভিজনদা দিবেট অমা ওইনা চত্থসি হায়বা ৱাফম অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা থল্লকখিবনি।

মসিগী মতাংদা থাইলেন্দগী লেবর মিনিষ্টর চালের্ম য়ুবামরুংনা হায়খিবদা য়িংলুক সিনাৱাত্রাবু থাইলেন্দগী লেজিটিমেট লিদরনি হায়বগা লোয়ননা সুথেপতি আইননা য়াদবা ঈহৌ অমবু লুচিংবগীদমক ফানবা ৱারেন্ট থোক্লবা মীশক অমনি হায়না ফোঙদোকখি।

সুথেপনা পুখৎলক্লিবা অসি চুম্নগী নেগোসিয়েসন অমনি। মমাংদসু নেগোসিয়েসনগী ৱাফম মহাক্না য়াখিদ্রবা মতুংদা ৱাকৎলোইশিংগী মশিং তপ্পা তপ্পা হন্থরকপদগী ৱারী শানবা পান্নকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ওইরিবা ফিভম অসিনা থাইলেন্দগী ইকোনোমিদা অচৌবা চৈথেং অমসু পীরি। ঙসি দেটাশিংদগী খঙবদা মমাংগী চহিদা ওইখিবা ফেক্টরিগী পোথোকশিং কুমসি চহিগী জনুৱারীদা চাদা ৬.৪১ হন্থরকখ্রে।

অদুবু চৈরক অসিদা চাইনিজ গর্ভমেন্টনা থাইলেন্দগী চেং মেত্রিক টন ৪০০,০০০ লৈরগে হায়না য়ারকপদগী থাইলেন্দগী লৌমীশিংদা নুংঙাইবা পাউ অমদি ওইরে। গভর্নমেন্টনা লৌমীশিং অসিদগী চেং লৈখিবগী শেল ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা শেংদোক্তবদগী লৌমীশিংসু অৱাবা চৈথেং ফংবগা লোয়ননা ৱাকৎ ঈহৌ অসিদা শৌগৎপা হৌরক্লবনি। ঙরাং শগোলশেল নুমিৎতসু চেংগী থৌশিল অদুগা মরী লৈননা অশোইবা খোঙথাংশিং থাংখি হায়বগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর য়িংলুক সিনাৱাত্রাগী মথক্তা ঙরাং নেস্নেল এন্টি করপসন কম্মিসননা মরাল শীখিবনি।

# মৈ চাক্লিবা মাইন মনাক্তগী মীয়াম চেন্থোক্লবা খঙহনখ্রে



*কেনবেরা, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* মেলবোর্নগী নোংপোক্তা লৈবা লাত্রোব ভেল্লিদা খুন্দাবা মীওইশিং খুল অদুগী মনাক্তা লৈবা মাইন অমা মৈ চাকপদগী থোক্লকপা মৈখুনা কোক ঙাওবা অমদি থবাক নাবা য়াম্না য়াওরে হায়বা ৱাকৎ অমা পুখৎলকপদগী গভর্নমেন্টনা মীয়াম অদুবু টাউন থাদোক্তুনা চেনখিনবা খঙহনখ্রে।

চয়োল অহুম্লোমগী মমাংদগী মৈ চাক্লিবা কোয়লাগী খোনি অমদগী থোক্লকপা মৈখু অমদি উৎনা য়োমশিল্লবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টাউন অসিদগী মরুওইনা অহল ওইবশিং, পীক্লিবা অঙাংশিং অমদি মীরোনবী নুপীশিংবু টাউন থাদোক্তুনা চেনখিনবা গভর্নমেন্টনা ঙসি খঙহনখিবনি।

ভিক্টোরিয়া ষ্টেটকী চিফ হেল্থ ওফিসার ওইবা রোজ মেরি লেষ্টরনা হায়বদা খুদোংথিবা য়াবা মীওইশিংদি মোরৱেল টাউন থাদোক্তুনা চৎখিনবা খঙহনখ্রে। মরমদি টাউন অসিগী মনাক্তা লৈবা হেজলৱুদ কোলমাইনদা চাক্লিবা মৈ অসিনা মতুং নুমিৎ ১০ নি রোমদি য়ান্নবা মৈখু থাদোরক্কদবা মরমনা মীয়ামদা খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পনবা য়াবদি মোলৱেলদা লৈবা মীকোক লিশিং ১৪ রোমগী মনুংদা অয়াম্বনা মৈখুনা মরম ওইদুনা থবাক্তা নাবা অমসুং কোক ঙাওবা থোক্লে হায়না ৱাকৎশিং পুখৎলকখিবনি।

লেষ্টরনা হায়বদা মৈখু অদুদগী কা হেন্না লুবা হকশেলগী খুদোংথিবদি থেংনদ্রি হায়না হেল্থ ৱার্করশিংনা ফোঙদোকই হায়রি। অদুবু মৈখু মরক্তা অশোল অনাশিং কুইনা লৈরক্লগদি মদুনা মখোয়দা তশেংনা খুদোংথিবা ওইরকপা য়াই হায়নসু লেষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# চাইনাগী বস মৈ চাকপদা চেন্নবা ফারে

*বৈজিং, ফেব্রুৱারি ২৮ঃ* চাইনাদা বস অমা মৈ চাকহন্দুনা মীওই ৬ পুন্সি মাঙহনখিবা থৌদোক অদুদা মৈ থাখিবনি হায়না চিংনবা মীশক অমা ঙসি ফারে হায়না লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

সু হায়বা নুপা অসিনা হৌখিবা শগোলশেলদা বস অমদা গেসোলিন বেরেল অমা শীজিন্নরগা মৈ চাকহনখিবদু সমাজগী মথক্তা লমন খুম্বনি হায়না ফোঙদোকখি হায়রি।

মৈ অদু বস অদুনা চাইনাগী অৱাং থংবদা লৈবা গুইয়াং সিটিগী প্রাইমারি স্কুল অমগী মপাদা থৌরিঙৈদা নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা চাক্লকখিবনি। মৈ অদুনা হৌরকপদা বস মনুংদা য়াওবা মীওইশিংনা বসকী মীহুৎ থোঙশিং থুগায়দুনা নাম্থোক্লবা হোৎনবদা কনামত্তনা উবা ঙমহৌদবদগী মীওই ৬ শিরগা ৩৫ না অশোক অপন নংখিবনি। শিখিবশিংগী মরক্তা পোকপা থা ৪ দা ঙাইরিবা নুপামচা অমসু য়াওখিবনি।

ফিভম লুনা শোকপা অমা য়াওনা অশোকপা মীওইশিং অদু লোকেল হোস্পিটালশিংদা লায়কন্ননবা পুখৎখ্রে হায়রি।

মমাং চহিগী জুন ৭ তসু নোংপোক থংবা চাইনাগী সমুদ্র মপালদা লৈবা জিয়ামেন্ট সিটিদা বস অমা মৈ চাক্তুনা মীওই ৪৭ শিরগা মীওই ৩৪ অশোক অপন নংখিবনি। ইং ২০০৯ গী জুন ৫ দসু চেংদুদা বস অমা মৈ চাক্লক্তুনা মদুদা তোংবা পেসেঞ্জর ২৫ পুন্সি মাঙখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা মৈ অদুবু অতম্না থাখিবনি হায়বা থবক ফংদবা মীশক অমসু মশা য়াওনা শিখিবনি।

শগোলশেল নুমিৎকী থৌদোক অদুদা বস মৈ থাবনি হায়না চিংনরিবা মীশক অদু বস মনুংদা য়াওখিব্রা নত্রগা য়াওখিদবরা হায়বগী মতাংদদি পুলিসনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরক্ত্রি।

মেদিয়াগী পাউশিংনা হায়বদা মৈ চাকপা মতম অদুদা বস অদুদা মীওই ৫০ তোংখিবনি হায়রি।




